# ৱারীমচা

## ঙাইখো

*– রাজেন খুমুকচম –*

“ঙাইখো! ঙাইখো নখোয় লোয়নমক ঐনা হায়রিবসি অমুক্তা তাখো।”

মমায় ঙাঙশং ঙাঙনা মখয়াৎ লাওনা কাথোক্তুনা মখৌরিদা শিংলি মত্রং-মত্রং হেক থোকপমখৈ ঙংলদুনা চাওবনা হায়রকখিবনি।

মচা অনীগী হক্তক্তা নীংবা কায়খ্রবা মতূংদা আশা কয়াগা লোয়ননা মচা অতোনববু অয়ূক্কী কোরৌগুম নুমিদাংগীনা থাজগুম য়েংজরদুনা লেমহৌরিবা পুন্সিবু তাশিন-খোমজিন্দুনা হিংলকখিবনি। মচা তোনবনা নুপী অমা পুরক্লে হায়বগী পাউ ঙরাং নুমিদাংৱাইরম তাবদদি হায়ফম ফোঙদোকফম খঙদনা হরাওজখিবনি। মমাঙদা মানা থম্মোয় শোকখিবদু হন্দক্তি মচা তোনবনা শোয়দনা নীংবা থুংহল্লগনি খঞ্জখিবনি।

নোংঙাল্লকপদদি নুপী ময়ূমদা পাউ হায়দোক্লুনবা ময়েক শেংনা খঙলক্লবদদি ঙসিসু চাওবা পূম্নমক তাইওন্নবা ওইরে হায়বা খঙলে। থোক্লিবা থৌদোক তারিবা প্যুসিনা তশেং তশেংলে খঙলবদা চাওবগী নুপী লৈমদি হায়ফম খঙদনা নুংনাংজরম্মী। মদু পূম্নমক ফনা ওইদুনসু হন্দক্তি মহাক্লা মচা’তোনববু মথানুংদগী লাপথোকহনগে খক খনখিদরে। মমাঙথক্তা মপানা য়াদে পামদে হায়দুনা মচা অনী অমসুং ইচা নত্তে, হায়বা ইন্দে ঐগী ধর্ম্ম ঙাক্তে হায়দুনা লাপ্না ইন্থোকপিখ্রবনি।

পাউ পূম্নমক তশেং তশেংনা খঙলবা লৈমনা কোয়চেন চেন্দুনা য়ূমথংনবা মরী মতাশিং হায়রুদুনা অপোকপা মপানা ৱারৌজদুনা শাওজখ্রবসু চৎনবী হৌনবী কায়দনা অদুগীসু মথক্তা হৌজিক্কী মতমসিদি মতম ফৎতবনা নুপী ময়ূমদা পাউ অমদি হন্দোক্লুনবা শিনজরি।

চৎনবীগী ফিজোল, চন্দোল-চৱা তরং-তরং থিল্লদুনা অহল ওইরপ তৌবা নুপা অহুমদং নুপী চেল্লকপগী পাউ হন্দোকপা লাকই।

চাওখৎলবা মতমনিনা ফকমক্তি থারমদ্রে। ৱারী ৱাখোঙ হৌদোক্লরবা মতূংদা মরাং কায়না পাক চাওরবা তনাল-তনাল্লগা নীংথিনা লৈতেংলবা কা অমদা পুশিন্দুনা মোল্লবা সোফাশিংদা ফমহল্লে। অমুক্তা উনদ্রিবা থৌদৌদুদা মফমদুদা লৈরম্বা পূম্নমক কোইলাং লাংনৈ। তানিং-য়েংনিংবনা লাকপা মীগী মশীং সমুদ্রগী ঈথক্কুম ইৱাইরকখি।

চৎনবীনি হায়দুনা নুপীগী মপা মপলশিংদুদা নুপা ময়ূমগী অহল অহুমদুনা কোক নোন্না খু’লৈতানা খুরুমখি। থৌদৌদু উরুবদা কনাগুম্বা খরদি থিক-থিক নোকখি, কনাগুম্বা খরনা মপূক্লীং নুংওন্না লোন্না পিরাং তৈথোকপসু য়াওরি। খুরুম্বগী হনগৎলক্লগা অহল অমনা মখা তারকই।

“শোমগী ইচানুপীদুগা ঐখোয়গী ইচানুপাদুগা মশা-মশা মতম কুইনদগী খঙনজদুনা ঙরাংসিদি য়ূমদা পুদুনা লাক্লে। অদুনা চৎনবী হৌনবী ঙাকচবা ওইনা ইথৌ অমনি খঞ্জদুনা পাউ হন্দোকচবা লাকচরিবনি।”

“ঐখোয়দি ইঙক-ঙকলুরে মতম ফৎতবসিদা মওং-মওংবু খল্লুরে। লাকপিরিবসিবু করি লমদগী ওইবীরবনো?”

নুপী ময়ূমগী মীশিংনা হায়রকখিবনি।

“ঐখোয় শগোলবন্দদগীনি।”

“নুপাদুদি করি থবক ইনখাং পায়রে?”

“কোলেজগী ওজা ওইজবনি।”

“করি কোলেজদরা?”

‘ডি এম কোলেজদনি।”

“য়ে অদুদি ইচানুপীসু মদুদা তম্লম্বনিনে।”

“হোয় মখোয়নীসি খঙনবদি কুইরমাল্লে, মদুদা ওজানা ছাত্রি লৌই হায়বসি থোক্তুনবা হায়দুনা নুপীমচাসিনা কোলেজ লোইশিনখিবসি ঙাইনরকপা মাল্লি।”

“ও অদুরা, ইচানুপীসিসু ডি এম কোলেজদগী বি এসসি লোইশিল্লগা মখা তমথ-তমথনা এম সি এস কী পরীক্ষাসু থাখ্রবনিনে।”

নিঙোল পোকপা, নুপা ওইরবসু পীনৌরকই। মচীন্দা শোল্লকই-

“ঐগী ইচানুপীসে লৈহাও অশেংবনি। তশেংনা মাদিকো খুনগী খোইমু ইলহন্দে। ঐনা করিগীরা হায়দুনা খন্দুনা লৈরকপনি। অদুবু মাদি মমিং লৈহাও হায়না থোল্লুবনা খোইমু ইলহন্দ্রবসু মাগীদি লাংদ্রুবীনা মপু হায়বদু ওইরম্লে। ফরে মাগী মাগী লাইবক হায়বদুনি।”

তপ্না অহল অহুমদুদা য়েংলগা মখা তারকই।

“অদো নুপাগী মপাদি কনারা?”

নুপা ময়ূমগী অহলশিংদু পাক খুমদোকপা ঙম্নদে। খুমদবদি য়ারোইদৌবনা অমনা মখা তারকই।

“মপাদি মশা ঙমদদুনা ঙসিদি য়াওজরক্ত্রে। লাকচরিবা ঐখোয় য়াম্না নক্লবা মরী মতাশিংনি।”

“এ মদু অচুম্বরা, তশেংনা মশা ঙমদবরা, নৎত্রগা ঐখোয়বু হাওনি হায়দুনা পামদে শাদুনা নখোয়বু নেক্তুনা থারকপরা?”

“নত্তে-নত্তে, ৱাফমদুমদি ওন্নরে। তশেংনা মশা ঙমহৌদবনি। ৱাফমদুগী হায়রবদি থাজবিদ্রগসু লৈকাইদা লৈবা মীশিংদা হংবিবা য়াগনি। হৌজিক শোমগী ইচানুপীবু পুরক্লিবা নুপাসিগী ময়াম্বা অনীমক্তুনা লৌরিবা নুপীশিংদুসু মীতৈ নিঙোল অমতা নত্তে। অনীমক চীংমী নিঙোল ঙাক্তনি।”

“ফরে অদুদি নখোয় চৎখ্রো, মপানা মশা নাবা ফরগা মাবু ওইনা থারকউ, মখা ৱারী শাসি হায়পিয়ু।”

ৱাফমদুদা কোথরুগদবা হঙ্গোইবা ফাওনৈ। অহল অহুমদু অমুক্কসু হৌগৎলক্তুনা খুরুম্লগা তপ্না-তপ্না খোঙ থাংদোক্তুনা য়ূম মাগে পাংলকখি। গারী মনুংদনি-

“য়াইনে চীংমী নিঙোল ওইজরবসু, য়ূমরৈ কৈরৈদু মওং তাইনে, মপাদুসু লেমই। অদুবু খেন্নবগী চিন্তাদুমদি মহাক লোৎশিনবা ঙমদে।”

য়ূম য়ৌরে, চাওবদি মনা পায়বা য়াদ্রি হায়বদুনি। মমা লৈমদি ময়া কাদুনা পাউদন্লিবদু তারি। মখা করি তৌসিগে খনবা হৌরকই। খুদক্তা চৎতুনা মমৌগী মশক য়েংনীংলকই। থৈফমদগী লৌশিল্লুনবা শেম-শাবা হৌরকই।

লৈকাইগী মৌ-নহা অনী’হুমগা লোয়ননা থৈফমদগী মমৌবু লৌশিনবা লাকই। কনানবু তাকপিরিবা ইরু মাইথজথোক্তুনা চন্দোল সিরি মতেক অমগা থিল্লদুনা ফিনা মকোক্কা হাইফেৎ খুন্নদুনা লৈরম্বদুদি কনাগী কৈনোনা কৈদৌজরুনি। লৈমদি মমৌবু উরুবদা নুংশিবনা হরাওবনা লুতোন থুমহৎখ্রে। লৈমনা মনাক্তা চঙলক্লবদা লৈহাওনা নোম্বরদুনা-

“ইমা নচানা খুরুমজরি।”

মরোনসু খোইদেনে’সিবু কনানা হাওনি হায়দৌরিবা! মদোম মথন্তা খনজখি। নাক-য়েৎ য়েংলুবা শংদনা মমৌবু কোনখৎপিরদুনা মথানুংদা চেৎনা চেজেৎ কোল্লদুনা মকোক্তা নাম্থ-নাম্থবিরদুনা মমৌ অহলগী হাক্তক্তা থোকখিবশিংদু নীংশিংলকখি।

নুমিৎতু ইবোচৌবা মানা পামজবী চীংমী নিঙোল অমা মাগী নুপী ওইনা পুরক্তুনা ময়ূমদা চঙলকখিবনি। মপাদা খুরুমগে তৌবদনি-

“চঙলক্কনু মহা পাম্পী, ঐগী ধর্ম্ম ঙাক্তবা নঙদি ঙসিদগী ঐগী ইচা ওইদ্রবনি। নঙনা য়ূমসিদা লৈতবা য়াদে হায়রগনা ঐনা ওইনা য়ূমসি থাদোক্তুনা চৎখিবা তাবনি। চৎখ্রো চৎলো নশক্তু য়েংনীংদে।”

ইবোচৌবা ধর্ম্ম ঙাকচবা পাম্বা মপাগী চিন্থক্তা খুম্বদি তৌখিদে অদুবু থম্মোয়নুংদদি কন্না নীন্দা তৌজখি।

নঙগী ধর্ম্ম, ঐগী ধর্ম্ম, মখোয়গী ধর্ম্ম পূন্না হিংমিন্নবা ঙমদবশিংগী ধর্ম্ম। ঐদি নখোয় কনামতগী থৌরীনা পুলহল্লোই।

মীৎকুপ্তুদগী থৌদোক্তুদগী নুমিৎতুমক্তদা মপাগী নীংবা থুংননবা ইবোচৌবা নুংশিরবী মমাগী মীৎয়েংদগী তাম্লকখিবনি। য়ূম থাদোক্তুনা ভারাদা লৈরকখিবনি। অদুনা লৈমা ঙসিদি মচা’তোনববু মীৎকুপ অমতসু মথানুংদগী লাপথোকহন্নীংখিদ্রে।

পরীক্ষা মথং-মথং লোইখিদুনা লৈহাও এম সি এসতা মায় পাক্লবী নুপী অমা হায়বদু ওইরে।

মতম্না পুরক্তুনা মচানুপা অমসু ফংজরে। মশুনুপাগী মতৌদা চাওবা লোন্না লেন্না কনা খঙহন্দনা চালি শাজে। অদুবু ঙসি ফাওবা হায়দোকখিবা ৱা ঙাক্লবা হোৎনবদা মহাক, লৈহাওনা থোং-থাকপা করিগুম্বা অমতা চাদ্রি। কায়জদবী মনেম মকুবু লুনা কিনা হঙ্গোইনা চৎচবী ওফিসার অমসু ওইরবী মমৌগী মফমদা চাওবা ঙসিদি মরাল লৈরবা মীশক হায়বদু মহাক ওইরে।

লৈহাও পোষ্টিং মফমদু লাপ্লবনিনা ক্বার্টরদা মতম খরদং লৈরুদবা য়ারক্তবদগী মচানুপা অপীকপদুদি হুন্দোক্লম্বা য়াদবনা মখূৎ শন্নদুনা কাফি কাফে গারী তম্না চৎলি। মপুবোক্তা ফল্লপ য়েংলদুনা “পুপুদা বাই বাই তৌরম্মু’ হায়না মমানা লোন্না ইনশিল্লি। মতমদুদা চাওবনা লাওরকখি।

“ঙাইখো! ঙাইখো নখোয় লোয়নমক ঐনা হায়রিবসি অমুক্তা তাখো।”

# শৈরেং

## লৈবরা মফমদু

*– চিঙাঙ্বম নন্দিতা সিংহ*

তাইবঙসি নত্তবা লৈবরা
মফম অমা
পুন্সিসি নত্তবা শক্তম
অমা লৈবরা
অইং-অশা অমত্তা নাইদবা
অফবা ফত্তবা লৈতবা
নুংঙাইবা অৱাবা থীদবা
ফজবা অথীবা খঙদবা
থম্মোয়সু পান্দবা
মীনুংশি চেনবগী,
লৈনিংদ্রে ইদি তাইবঙসিদা
হিংনিংদ্রে ঐদি তাইবঙসিদা
হিংনিংদ্রে ঐদি পুন্সিসে
মায়কৈ খুদিংদা অৱা-অনানা থল্লবা
তাইবঙসে
মরী-মতা অমত্তা লৈতবা
খঙন-চান্নবা অমত্তসু লৈতবা
অরেম্বনি পুন্সিসে
পুন্সি কৌবদো
লৈরমদ্রবদি পেনগনি।।

## শক্কনি

*– লাইশ্রম সমরেন্দ্র*

ঐদি শক্কনি, ঐদি শক্কনি, ঐদি শক্কনি।
অৱাবা সুর নত্তনা নত্তসনু অতৈ করিসু
মাঙখিসনু নোং-নুংশিৎ ওইনসু
শীৎখিসনু অরেম্বা লৈঙোই লমগংদসু
অদুবু শক্কনি, ঐদি শক্কনি
ঐদি শক্কনি! ঐদি শক্কনি! ঐদি শক্কনি!
পুন্সিগী ফৈরা ফৈরাদা
ঐদি শক্কনি! ঐদি শক্কনি! ঐদি শক্কনি !

*ৱাকচীঙগী কবিতাদগী লৌথোকপা*

## তেংথাখোল

*– নিংথৌজম ইবোপিশক*

নোকমি নোকমিবা নঙগী মায়থোঙনা
হোংলক্লবা চীন্তাগী পিরাং’
কায়রবা থম্মোয়গী তোংথাখোল
চাল্লক্লে মৈরী থোক্লা মুৎনাইদ্রবা।।

কোকিলগী শৈহেক্লো শুদ্রবদা
তাবিনবা য়াওদ্রবা ঈশৈগী খোঞ্জেল
নুংশিৎকী শাউমনা মুৎশিরবা মৈরানা
খাঙবদা ৱারবা ৱাখলগী চৈনাখোলনা।।

অয়ূক্তা হৌরকপা লৈচিল মপৈনা।
মীৎকুপ্তা মাঙখিবা মতৌগুম্বা
মেনশিনগে খল্লুবা ঐগী
হাংলবা থম্মোয়গী লাইয়ূমদা।।

চৎখি মাদি হন্না ফাওবা য়েংঙমদনা
খোঙকাক লাওনা থাংদুনা
থাপতোকখি মীৎকুপ্তা মা-ঐ
উবা খঙখিদে থুমহৎলবা
মীৎকী পীরাংনা খনখিবনা।।

## অপাইবা উচেক

*– লাইশ্রম সমরেন্দ্র*

ঐগী ৱা হংগনু
ঐবু থিরক্কনু
অতিয়াদা পাইবা উচেকনি ঐহাক্তি
লম্বী খঙদে মায়গৈ লৈতে ঐহাক
য়ৌফম লৈতে ঐহাক্কী
কায়দনো কদোমদনো হংলক্কনু ঐঙোন্দা
অপাইবা চেক্লানি পাইবদা নুংঙাইজবনি।।

নখোয়না ফাদুনা থমখিবা পোনগী
চেক্লা অদু থাদোকখো
তাকপিগনু তম্বীগনু নখোয়গী ঈশৈ অদু
নখোয়গী মন্ত্রদো কান্নরোই
নোংথক্তা পাইবা উচেক্তা।।

## শিবা নাইরোই

*– ইরোম মোবি*

কনা অমতনা শিনিংদে
অদুবু শিবদি লোইনা শিগনি।
শুংশি শিরোই হায়রদি
শিংথাবা য়াবা অফবা থবক তৌরম্মু
হিংলিঙৈদা।

## চারিমখৈ কপ্পনি পিরিমখৈ ওক্তবনি

*– কে ইমো মৈতৈ*

চারিমখৈ কপ্পনি পিরিমখৈ ওক্তবনি
হো! কপত্রেং চারিমখৈ কপপনিকো।
হো! ভিক্ষারি পিরিবমখৈ ওক্তবনিকো।
তাইবঙনা লৈরিমখৈ মীতৈনা হিংলিমখৈ
বন্দ ব্লোকেৎ লোইবা নাইররোই
শোক্ল শম্নরক্কনু। ঐদি অশেঙবনি।
ইপুথক্তা চৎনরমদবা ইহাকথক্তা চৎনহনগে
লৈত্রিবা জাতী ইহাকথক্তা লৈহনগে
ওইদবতা ঙাংউ! অচুম্বতা তৌনু!
তকশিনববু লেপত্রবদি অচুম্বসু লালহনখিনি
অরানবসু চুমখিনি লৈত্রিবসু লৈরক্কনি।
লৈবু লৈরবদি ইরমদম ওইরবনি
লৈশিন্নবতা হোৎনৌ য়াদ্রগসু মহুৎনি।
নিবতা কল্লু! তকশিনবতা লেপকনু
পিরক্ত্রে, থারক্তে,, কিরনুঃ শাউরুনু।
মতাংনবু চারবদি নিংথৌ ওইগনি
হোৎনবতা লেপকনু, তকশিনবতা তোক্কনু।
লমদমসে লাইগী লৈরবাক লাইরৈবাক্লি
হায়নরি ঙাঙনরি মীপুম খুদিংনা।
ইকায়বা খঙদবগী কান্নবা লৈবানি
লমদমসে অচুম্বশিংগী চন্নফম লৈরতবনি
অরানবা ঙাংগনু! ফত্তবা তৌগনু!
হায়বতনি চীন্নতা! তৌগদৌবদি খূৎননি
খূৎকা চীনগা কৈদৌনুংদা মান্নররোইএ।
অচুম্বনি খল্লু তৌরিবা পূম্নমকসে
ঐনা তৌরিবসি লৈবাক্কীনি খন্দোকউ
য়েংবতা হৈয়ু! খাংবতা কল্লু।।

# তাবুনুংদগী

***লুহোংবা*** হায়বসি নিংথৌকোন্দদি তোপ তোপই। মরম অসিনা নিংথৌ লুহোংবা অসিগা মীচম প্রজানা হোংবগা মান্নদে। মীচমগীদি নুপানা নুপী ময়ূমদা চৎলগা লুহোংবগী থৌরম পাঙথোকই। নিংথৌগীদি নুপী ময়ূমদা কুমদুনা লুহোংনরমদে। ৱারোইপোৎ, হৈজিংপোৎ পুবা লোইরগা মতূংদা নুপী অদু কোনুংদা পুখৎলগা হোংগনি। নুপী ময়ূমনা ক্বাগোক হানগনি। ক্বাগোক অসি সনা লুপানা হাল্লি। লৈবাক্কী মহারাণী ওইগদবদি শাগৈ-জাৎ ফবা, অকাই-অতোয় য়াওদবা ইমুংগী নিঙোল ওইবগা লোয়ননা মশাদা শোইনাইদবা নুপী ওইগনি। নিঙোল অদু লৈবাক প্রজানা ফজে শোন্নবা মীওই ওইগনি। মশক ফজবা নুপী থিবগী মরমদি লৈবাক প্রজা পূম্ববু লাকশিনবা ঙম্নবগীদমক্লি। মহারাণী হাপ্লবা মতূংদা ফম্বালদি কোন্না তোংগনি।

নিংথৌ ওইবা তারবদি রাণী অঙা লৈগনি। মঙা অসি লৈতবা য়ারমদে। রাণী মঙা অসিগী তোঙান তোঙানবা মিংথোল লৈ। অহানবা মকোক ইথং থংবী লৈমবু লৈবাক্কী মমা ওইবী, লাইগী পাংখক ওইবীনি হায়দুনা ‘লৈমরেনবী’ অমসুং ‘মহারাণী’ কৌই। নিংথৌনা সনাগী কৈরাক কাদুনা ফম্বাল মেন তোংমিন্নবী রাণীনা ‘লৈমরেনবী’ ওইগনি। অনীশুবনা অপাম্বী অহল, মথংবুনা অপাম্বী নহা কৌই। মরিশুবা লৈমবুনা লৈমখুবী অহল অমসুং ইতোন তোনবী মঙাশুবী লৈমবুনা লৈমখুবী নহা কৌই। মখোয়সিদসু নত্তনা নিংথৌগী লৈমদি মশীং য়াম্না লৈরম্মী। মখোয়শিং অদু মমা মপানা নিংথৌদা কৎলবা য়াওই। নিংথৌনা কোয়থোকপা চৎপদা মীৎনা য়েংলম্বতদসু নিংথৌদা কৎনৈ। নিংথৌনা খোয়দাজনা লৌরুবসু য়াওই, নিংথৌ পোকপী মমানা খোয়দানা লৌরুবসু য়াওই। য়ূমলোন্নবা লৈবাকশিংনা ঙাই-শেন ওইনবা পাম্বদগী মচা নিঙোলবু নিংথৌদা কৎলবসু য়াওই।

নিংথৌগী লৈমা অসি মশীং য়াম্না লৈজরবসু নুপীশিংদুগী মনাক্তা নিংথৌনা চৎপা অসি লৈবাক্কী চৎনবী ওইরমদে। লৈমশিংনা নিংথৌগী শঙ্গাই অচৌবদা লাক্লগা থৌগল তৌনরম্মী। মহারাণীগী শঙ্গাই নত্তনা নিংথৌগী ফমুং থাবা য়াদে। শোয়রবদি ৱায়েন চৈরাক ফংই।

*বীমাবতী থিয়াম ওংবী*

# মণিপুরী পাম্থে –পাউরৌ, পাউতাক

* **ঐদি শোকপিদবা।**
  – চেকত চেকশিল্লগা ইশাগীনা লুরকপা।
* **ঐদি জগোয় শাদুনা লৈগদ্রা।**
  – করিসু তৌদনা খূৎ হন্দনা লৈবা য়ানীংদবা।
* **ঐদে চিংনা।**
  – ঐঙোন্দগী হৌনা পূম্নমক্কী ওইবা।
* **ঐদি খোঙ খূৎ শৎ তিংথোক্তুনা হেক কপ্পিংঙি।**
  – য়াম্না পেন্দবা অমগী মতৌ।
* **ঐনা অমা হায়, নঙনা অমা ঙাঙ।**
  – ঐখোয় অনীগী মোৎ মান্নদবা।
* **ঐনা তৌরিবসে চফু পাথবা ঙাকপা হায়দুনি।**
  – অশোয়বা ঙাকপা।
  – অশোয়বা ঙাক্লবা লৈবা।
* **ঐনা ঐনা তৌজবা থবক অদু নুমিৎ খুদিংগী শীংথাহৌই।**
  – ইশা ইশাগী থবক্কী মহয় থবক্লা তাকই।
* **ঐনা হায়বা হেক শোয়খ্রবা-না ককচৌ।**
  – কা হেঞ্জিন্না মশাবু থাজহনবা।
* **ঐনা ঐনা লৈরুবা মফমদু য়ূম্লি।**
  – লৈফম খুদিং য়ূমদৌনা খল্লগা লৈফম থোকই।
* **ঐনা হিংলিমখৈ তাইবঙপানসি ঐগীনি, ঐনা শিখিবা নুমিত্তা ঐগী তাইবঙ লৈত্রে।**
  – হিংলিবমখৈদি তাইবঙপানগী অৱা নুংঙাই, শরুক য়াফম থোকই।
  – ঐ লৈত্রবদি তাইবঙপান লৈতবগুমই।

***খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন***

# চানক্য নীতি

- থৱায় থারবসু মীনা ঐবু থাজবদু খক মাঙহল্লোইদবনি।
- ঐগী ওইবা মীশিংগী ফত্তবা লমচৎ-শাজৎ অদু থিঙ্গদবনি।
- মাগী মীশিংবু ইকায়বা পীবনা ৱাখল লৈবশিংদা অৱাবা ওইহল্লি।
- খোঙদা নৎত্রগা হকচাংগী শরুক অমদা য়ুবা তীংখংনা হকচাং পূম্নমক নাহল্লি।
- অপঙবা মীনাইনা মপুগী অরোনবা ৱাবু হেঞ্জিন্না (মীয়ামদা) হায়দোকই।
- ঐশ্বর্য্য ( তৌবা ঙম্বা শক্তি-অচৌবগী শক্তি) গী মহৈদি মীঙোন্দা থৌদাবা অমসুং য়াথং পীবনি।
- মশাগী থবক্তি মশানা য়েংশীনগদবনি হায়বদি অতোপ্পদা শীন্নবা য়াদে।
- মতম লাক্লবদি অচৌবনা মশাগী ঐশ্বর্য্য শক্তি অমসুং মরল-মথুম লোইনা শীজিন্নথোক্কদবনি।

***হন্দোকপাঃ হঞ্জবম গোকুল (পিশক) শর্ম্মা***

# মণিপুরী পাউখোং

২৬৯. মখোক খুদিং মনা ৯ / ৯ চপ মান্নবা পানবা পাম্বীদু করি পাম্বীনো–
২৭০. হৌফম লৈফমগী মতূং ইন্না মমিং হোংবা, পোৎতি চপ মান্নবা করিনো–
২৭১. লৈফমগী মতূং ইন্না মমিং হোংবা অনাবদি চপ মান্নবা করি করি লায়নানো–
২৭২. কংফালদা পোকচরবসু ঈরোলনুংদা কুইনা লৈবা, চাক্তাবা ঙম্বা জীব করি জীবনো?

***পাউখোংশিং অসি মথংগী নোংমাইজিংগী লমায় অসিদা ফোঙদোকচগনি।***

***মমাঙ নোংমাইজিংগী (১১-১১-২০১৮)***
***পাউখোঙ ফোঙবা***

২৬৫. শোরোনবী / লম্বী
২৬৬. হৈগ্রু মনা অমসুং মঙ্গে মনা
২৬৭. গমলাদা হৌবা হৈঙ্গিং / প্লান্ট
২৬৮. য়েংদৌ পাম্বী

# কান্ন-ৱানি খঙজীনবিয়ু

* **তীল্লৌ মকূ লায়না খোকপিগে হায়রবদি?**

হীংনা চানবগী নৎত্রগা এন্সাং থোংবদা থাক্লবা তিল্লৌ শোইনবগী মকূ লায়না খোকপিগে হায়রবদি মতোনগা মনীংগদু হান্না শোইদৎপিরো অদুগা তিল্লৌ মপুমদু মকূ য়াওনা য়াওনা মশূঙ মরী থোক্লা খায়দোকপীরো অদুগা মকূদু খোক্তোকপীয়ু।

* **তীল্লৌ মতম কুইনা থম্বীগে হায়রবদি?**

য়ূমদা চানবা কৈথেলদগী লৈরকপা তীল্লৌ হায়বসিমক্তবু খরা য়াম্না লৈশীল্লক্লবদি মতম-মতমগী মতূং ইন্ননা করি-করিগুম্বদা মতোন থোক্তুনা ইহাম-হামজিল্লকপা, অদুগা করিগুম্বদনা পথ-পুমথশিল্লকপা হায়রবদি থম্বীগদৌরিবা তীল্লৌশিং অদু নুপীমচাশিংনা শেৎপা অপাবা মোজা অশাংবী অমদি খোঙগ্রাও অনপ্পী (ষ্টোকিং নৎত্রগা স্লেক্স) গুম্বদা মথক-মখা লোনখৎনদুনা পরেং ওইনা শাংনা হাপ্পীরগা য়ান্দুনা থম্বীয়ু। থা কয়া থল্লবসু তীল্লৌ অদু মতোনসু চোংলরোই, পথ-পুমথবসু তৌররোই। অদুনা মতূং মনাওদি য়ূমগী ইচা-ইশূ নুপীমচাশিংনা শেৎনরম্বা অমনবা ষ্টোকিং অমদি স্লেক্সশিং লেম্না হুন্দোকপিখ্রগনু।

* **তীল্লৌ শোইবদা মীৎ কাহনবিরোই হায়রবদি?**

(ক) তীল্লৌ শোইবদা নৎত্রগা খায়বদা মীৎ কাবসিদি ঐখোয় খুদিংমক্তনি। মসি থোকহনবীরোই হায়রবদি তীহেল্লৌ শোইবা নৎত্রগা খায়বদু ঈশিং লিরি-লিরি তাহল্লবা কোঞ্জীনগী মখাদা নৎত্রগা ঈশিং য়াওবা পাত্রদা লূপশীল্লগা শোইবীয়ু
(খ) রিফ্রিজরেটরদা ঈংহল্লুরবা তীহেল্লৌ শোইবদসু মীৎ কারোই।

*( খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশিং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক “কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু” দগী লৌথোকচবা)*